# হোস্পিটালগী ইশ্যু অসিগী মরমদা থৌদাং য়াওদবা পাউদম পীবীগনু: কম্মিটি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : শগোলমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী ৱাফম নাথৈনবা হোৎনবা ৱারোল ফোঙদোরক্লিবদি মদুগী মথক্তা মীৎয়েং চঙগনি অমদি মীয়াম পুন্না মতেং পাঙবীদুনা ইশ্যু অসি ৱাখৈনবা হোৎনবদা তেঙবাংবীয়ু হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাং প্রোটেক্সন কম্মিটি অমসুং য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা পুন্না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও ইবোবী অমদি হেলঠ মিনিষ্টর ওইরম্বা এল জয়ন্তকুমারনা কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বর ১৬ তা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীওই লিশিং কয়াগী মাঙদা উরেপ উয়ুং তম্লম্বগা লোয়ননা চীংমী তম্মীশিং অমদি মীয়ামগীদমক্তা খনবীদুনা হকশেল অমদি লায়েংগী লমদা অচৌবা অহোঙবা অমা ফঙলগনি হায়না থাজবা থমদুনা লাকপনি। অদুবু হৌজিক্কী লৈঙাক অসিদসু মেদিকেল মিনিষ্টর ওইরিবা এল জয়ন্তকুমারনা শগোলমাঙদা শাবগী মহুত্তা হৌখিবা এপ্রিল ৬ তা অতোপ্পা মফম অমদা শাননবা ইনৌ নৌনা উরেপ উয়ুং তমখিবদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালসি হোংবা অমদি হোংদবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱারেপময়াম অমা লাকখি অমদি মীওই কয়াগী মরক্তগী ইশ্যু অসিবু লৈবাক্কী থাক্তা পুখৎতুনা ফিভম অমত্তদা শগোলমাঙদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই।

হোস্পিটাল অসি শগোলমাঙদা অদুমক শাগদবনি হায়দুনা মীয়ামগী ঈহৌ চঙশিল্লিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী লেঙদবা ফিরেপ ফোঙদোকপা ৱারোল কয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অকোয়বদা তারিবা য়ুম্নাম পাৎলৌ, শগোলমাঙ, ৱাখোঙ, খেৱা কম্পেনি অমদি খেৱা ফুর্জু লৈকায় মঙাগী ওইবা অপুনবা ক্লবশিংগী কোওর্দিনেটিং অমা ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাঙ কম্মিটিগী ৱুমেন কোওর্দিনেটিং অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি ওফ য়ুম্নাম পাৎলৌ, শগোলমাঙ, ৱাখোং, খেৱা কম্পেনি অমসুং খেৱা ফুর্জুনা য়েংশিন্দুনা অমদি নৈনদুনা লাক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ইশ্যু অসিগী মতাংদা জে এ সীগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা তাঙ্কক অনীরক ৱারী শানখিবদা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী থৌওং চখুরকপদগী মীয়ামগী হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিনবদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি অনী অসিনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

হোস্পিটাল অসি উরেপ উয়ুং তমখিবা মফম অসিদি লৈকায় মঙা অসিগী মফম ওইবনিনা হোস্পিটাল অসিগী মথৌ তাবা লম লৌশিনবদগী হৌজিক ফাওবগী লৈরিবা থাক খুদিংমক্কী ৱারী শীংবুল খুদিংমক লৈকায় মঙা অসিগী কোওর্দিনেটিং বোদি অনী অসিগী খুৎতা লৈ হায়রি।

লমগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে হায়বসি কোওর্দিনেটিং বোদি অনী অসিনা হায়বা ঙম্মী। অহেনবা লম লৌশিনবগী মতাংদা লৌশিনগদৌরিবা লম অদু হেলঠ দিপার্টমেন্টকী মীংদা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়না লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসন পীনবা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদুদি মীয়াম্না নৈনবা মরম চাদে। পাট্টাদারশিংনা অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিবু শাবীরবদি হায়দুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেল অমত্তা ফঙদনা অকোয়বগী শম্বল খাবদা অয়াবা পীখিবা অমদি চহী তরুক তরেৎলোম অসি পোৎচৈ থাদনা লমহাং ওইনা থম্লক্লিবা অসি লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক্তা খল্লগনি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবিফম থোকই।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেল পীনিংঙাই লৈত্রগদি কৎচরে। লৈঙাক্কী মরি লৈনবা খুদিংমকলাকপীরো হায়না হৌখিবা এপ্রিল ২৪ দা মীয়াম পুনবা মীফম অমদা পাট্টাদারশিংনা মখোয়গী কখোকপগী চেরোল মীয়ামদা শীন্নখিবসু লৈরে। অদুবু পাট্টাদারশিংনা নুমিৎতুগী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা য়েৎনবা লৈরিবা মফম তাকপীরো। শেল লৈত্রবসু লম কৎচরগে হায়না মীওই চা কয়ানা ঙায়খিবা মীফম অদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীওই অমত্তা লাকখিদে হায়রি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী সেনিয়র সিটিজন ফোরমগী অহল-লমনশিংনা চীফ মিনিষ্টর অমদি হেলঠ মিনিষ্টরগা হোস্পিটাল অসিগী ইস্যুগী মতাংদা কয়ারক হন্না উনবিদুনা মীয়ামদা পাউদমখিববু কোওর্দিনেটিং বোদি অনীনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়রি।

অহলশিং অদুগী মরক্তা হান্নসু খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ ওইবীরম্বতা নত্তনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পীকরসু ওইবীরম্বা এল লালানা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাং অসি মহাক্কীদি নক্লবা মফম ওইবনা হোস্পিটাল সাইট অসিগী মতাংদা লমগী অমদি মরম চাবা ৱাফম কয়াসু পাউদমবিরমগনি খল্লি।

হেলঠ মিনিষ্টরগা উনবা অদুদা মিনিষ্টরনা থম্বিরকপা ৱাফমশিং অদুনা অচুম্বা ওইরবদি কোওর্দিনেটিং বোদি অনীনা তাবদা অঙকপা পোকই। লৈঙাক্লা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম অমগীদমক লেপথোক্লবা মফম অমদা মিনিষ্টরনা করম্না য়েৎনবা লৈ হায়বিরিবনো হায়না হংলক্লি।

মিনিষ্টরনা য়েৎনবা লৈত্রবদি হোস্পিটাল শাগনি হায়রিবা ৱাফম অসি কনাগা য়েৎনরিবনো। লমদম অসোমগী মীয়াম অমদি পাট্টাদার অমত্তনদি অয়েৎপা লৈতে হায়বা খঙই। হোস্পিটালগী ইশ্যু অসি হেক হৌরকপদগী লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়না তোয়না ফোঙদোকপীদুনা লাক্লি।

জে এ সীগা চীফ মিনিষ্টরগা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ৱারী শানখিবদু থাজনিঙাই লৈ হায়বদগী মীয়ামসু ইংথদুনা লৈবনি। চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অপাম্বদু থবক ওইনা তৌবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরিঙৈ অসিদা হোস্পিটালগী ইশ্যু অসিগী মতাংদা থৌদাং য়াওদবা পাউদম পীবীগনু হায়রি।

# লৈঙাক্লা ফলোংগী অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা কম্পেন্সেসন পীবীয়ু: এএমপিএফএ

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থং মখাদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেম্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফলোংদা শেম্লিবা লম্বী অসিগী চীং ককপদগী থোক্লকপা লৈবাক অমসুং নুঙশিংনা ফলোংগী লৌফম কয়া ফুনজিনখিবদগী লৌমী কয়া অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু অমদি মতেঙ পাঙবীয়ু হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিবম ফারমর্স এসোসিয়েসন (এ এম পি এফ এ) না ফোঙদোরক্লি।

এ এম পি এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিউ ইনাওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা ফলোং খুলগী খুঞ্জা ময়াম্না লৌউ-শিংউবনা মপুং ওইবা শীনফম ওইদুনা খুল অসিগী মনাক্তা লৈবা তম্পাক লৌ খরা অসিদা তাংদুনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা লৈবনি। লৌ উবনা শীনফম অসিদগী লাকপা শেনফম খরা অদুনা চারা নোংখন্নবতা নত্তনা ইমুং মনুং পুবা, মচা-মশু লাইরিক লাইশু তমহনবা, অনা লায়েংবনচিংবা তৌনরিবনি।

মমাং চহীদা লম্বী শেম্বগী চীং ককপদগী নীংখায়রকপা লৈবাকশিংনা নোংজু থাগী মতমদা তকথরক্তুনা খুল অসিগী লৈতেম মান্ননা লৈবা লৌবুকশিং ফুনজিনখিবদগী ফৌ লোকখিদবতা নত্তনা হন্দক চহীগী নোং চুরকপা অসিদসু মখা তানা অমুক লৈবাকশিং অসি তকথরক্তুনা লৌফমশিং অসি ফুনজিল্লকখি হায়রি।

তম্পাক লৌ ওইবা অমদি তুরেলগী নাক য়েৎতা লৈরিবা পরি ২৫-৩০ রোমগী লৌফমগী দুর্গা তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা ফলোং পার্ট থ্রিরোম থংবা শরুক্তগী নোং চুরকপদগী তকথরকপা লৈবাক অমসুং নুঙজাওশিংনা লৌফমশিং অদু ফুট তরেৎতগী নিপান ফাওবা থানা ফুনজিনবা মফমশিং য়াওরে হায়রি।

অমরোমদা, দুর্গা তুরেল অসি ফুল্লগা মদুদগী পাথোরকপা নুঙ অমসুং লৈবাক্লা তুরেলগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লৌফমশিংসু অমুক ফুনজিল্লে হায়রি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু লৈনাং য়াওবা নুংচাকশিংনা হাজিনবা মফমসু লৈরি। খ্বায়দগী হেন্না শোক্লিবা অসি ফলোং পার্ট থ্রিরোম থংবা লৌফমগী শরুকশিংনি হায়রি।

গভর্নমেন্টনবু ওইরো, কনাগুম্বা ৱার্ক এজেন্সী অমনবু ওইরো নৎত্রগা কম্পেনি অমনবু ওইরো, চাউখৎপগী থাক য়াম্না ৱাৎলিবা অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক নীংথিনা পায়খৎপীয়ু। অদুবু লমদম অসিদা খুন্দারিবা খুনমীশিংগী হিংনবগী শীনফম ওইরিবা লৌ-শিং উফম ওইনা চীংগী লমদা য়াম্না লিক্লা লৈরিবা তম্পাক লৌ অসিদি শোকহনবীগনু হায়রি।

ফুনজিনখ্রবা তুরেল খোঙনুংশিং অমুক হন্না তৌথোকপীয়ু অমদি লৌফম অসিগী পোখোক্লা হিংনবগী পাম্বৈ ওইজরম্বা লৌমীশিং অদুদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীবীদুনা অৱাবা কোকহনবীনবা লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি। লোয়ননা হিরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং চঙবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী রিজাইন তৌগদবনি: এ আই এস এফ

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা কন্না হোৎনদুনা কুমজা ১৯৮০ দা সেমিনর কয়া তৌদুনা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা এপ্রিল ৩০ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লীংনবা লোয়ননা কুমজা ১৯৮০ গী মে ৫ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বিল পুথোক্তুনা পাস তৌখিবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসি লীংখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী অহানবা ভি সী ড. টি রোথোনা ওইখি। অদুবু চহী অহুমগী মতুংদা য়ুনিভর্সিটিগী ঈরাং লাক্তুনা ৱাথোক ওইরক্লবা মতমদা এ আই এস এফকী দেলিগেসন অমনা কুমজা ১৯৮৩ গী জুলাই ৩ দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা ভি সী লৌথোকখি অমদি লোয়ননা অনৌবা ভি সী হাপ্তুনা ঈং তপ্পা য়ুনিভর্সিটি অসি চলায়দুনা লাকখি হায়রি।

হন্দক্তা নৌনা হাপ্লকখিবা ভি সী প্রো. অধ্য প্রসাদ পান্দেনা অপাম্বা মওংদা ওফিস পুন্নমক ইন-চার্জশিংনা থৌ পুহন্দুনা একাদেমিক কেলেন্দরদা অশোয়বা থোকহনবা, ওফিস চাং নাইদবনচিংবা থৌওং কয়া চখুরকপা অসিনা মরম ওইদুনা ৱাথোক কয়া থোক্লকপদগী অসিগুম্বা ভি সী অসি রিজাইন তৌনবা এ আই এস এফনা চঙশিল্লি। হৌজিক চঙশিল্লিবা মুসুগী খোঙজংদা এ আই এস এফনা মপুং ফানা শৌগৎলি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংদা পুলিসনা কাহেনবা থৌওং চখুখিববু এ আই এস এফনা য়ানিদংবা ফোঙদোরক্লি।

# ফেগোক্তানা তরেৎশুবা পে চৎনহন্নবা খোঙজং শৌগৎলি

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : ফেদরেসন ওফ গভর্নমেন্ট কোলেজ টিচর্স এসোসিয়েসন মণিপুর (ফেগোক্তা) না মণিপুর গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা তরেৎশুবা পে চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি মপুং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

ফেগোক্তাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন সোমরেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ওল ইন্দিয়া সর্ভিস ওফিসরশিং, আই এ এস, আই পি এস অমসুং আই এফ এসশিং মণিপুরগী গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈরিবশিং অসিদি হান্ননা তরেৎশুবা পে ফঙখ্রে। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী তরেৎশুবা পে সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি ষ্টেট কয়াগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ইমপ্লোয়ীশিংসু ফঙনখ্রে।

মমাংদা লৈখিবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট কয়ানা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা লৈ হায়দুনা হৌখিবা চহী তরারোম অসি তরুকশুবা পে য়াওনা চাং নায়না পে রিভিজন তৌবীদনা লাক্লি। অথুবা মতমদা তরেৎশুবা পে ষ্টেট অসিদা চৎনরে হায়না লাউথোকপীনবা ফেগোক্তানা তকশিল্লক্লি। তরেৎশুবা পে চৎনহনবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা লৈঙাক অসিগী থৌদাংনি। লোয়ননা গুদ গভর্নান্স লৈ হায়না তাকপগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ী অমসুং মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না য়াইফ থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়বগী খুদম ওইগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর্স য়ুনিয়নগী এদভাইজর শামুলৈলাকপী সনাহনবীনা লুচিংদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা শিংজমৈ চিংঙা কৈথেলদা পেন্সনর, ফেমিলি পেন্সনরশিংনা মঙাশুবা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা তরেৎশুবা সেন্ত্রেল পে চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি ১ দগী পীবা হৌখ্রবা সেন্ত্রেল পে ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদসু পীনবা তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অসি ফমখিবনি হায়রি।

# ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৪: মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈদোংগী ঐচ কৈন্যহন মেমোরিএল ইংলিস স্কুলদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি য়েংখোম ভিক্তোরিয়া, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এনজি মিলন অমসুং স্কুল অসিগী দিরেক্তর কম প্রিন্সিপাল ঐচ জিতেন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইগনি হায়রি।

# শেলগী মনাশিং পীগনি

ইম্ফাল, জুন ০৪: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী লুপা ফুদোংবা চহীগী তরুকশুবা থাগী থৌরমদা বিষ্ণুপুর জয়পুর খুনৌদা লৈবা মৈতৈ পুঙগী ওজা মাইস্নাম থোইবদা মরিশুবা মুতুম মৈনো অমসুং মুতুম ওংবী থোইবী দেবী নীংশিং শেলগী মনা ২০১৮ পীরগনি। মনা অসি খোইজুমানদা লৈবা জুগিন্দ্রো মুতুৱা অমসুং চাওবাকান্তনা মখোয়গী অপোকপা অমদি অপোকপীগী মীংদা কৎলকপনি।

মোইরাং খোইরু লৈকায়দা লৈবা নট সঙ্কির্ত্তনগী ঈশৈ শৈশকপা ওজা অনী হেমাম ববুধন অমসুং নিংথৌখোং খা খুনৌদা লৈবা থোকচোম নিমাইদা তরেৎশুবা অমসুং নিপানশুবা তোংব্রম ওংবী মণিতোম্বী দেবী নীংশিং শেলগী মনা ২০১৮ পীরগনি।

মনা অসি মোইরাং লমখায়দা লৈবা জাতিশ্বর তোংব্রমনা লৈখিদ্রবী অপোকপীগী মীংদা কৎলকপনি। মনাশিং অসি লাক্লিবা জুলাই ২২ গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙখায় চৎপদা মোইরাংগী ইবুধৌ থাংজিংগী লাইকোনদা শেলগী মনা অমসুং সোলগা লোয়ননা লুপা ৫০০০/ ৫০০০ গা কোন্ননা ওজা অহুম অসিদা পীগনি হায়রি।

# কলমগী *নাচোম* পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : কংলৈপাক লোয়নসিল্লোন অপুনবা লুপ (কলম) গী থা খুদিংগী অহানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লেপ্তুনা চখগদবা *নাচোম* হায়না মীংথোনবা থৌরমগী অহানবা ওইনা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙখায় চৎপদা উরিপোক মচিন ব্রহ্মপুরদা লৈবা কলমগী ময়াই শঙলেনদা অইবা অইবী ২০ না শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোংচুপ হারম খোর্জেলুপ (নোহাখোল) গী প্রসিদেন্ট ডা. লাইশ্রম সসিকুমারনা চীফ গেষ্ট, কলমগী প্রসিদেন্ট থিয়াম ওংবী শিল্লেমনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. লাইশ্রম সসিকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী অইবশিং অসি মরৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিবগী মমী তাবা ৱাৎলি অমদি অয়াম্বনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খুদোংচাবা ফঙনবা হোৎনবা ওইনা তৌই। মশানা ইদুনা পুথোরক্লিবা লাইরিক অদুনা লমদম অসিগী তুংগী মীরোলদা কান্নবা পীনবা হোৎনবগী মহুত্তা মনা-মথুম ফঙনবা হোৎনবনা হেন্না পুক্লিং লুপলি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা থম্মোয় শেংনা ইজরিবা অইবশিংবু নিংহন্নবা হোৎনৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈবাক্কী কান্ননবা পুন্না থবকশিং পাঙথোকমিন্নবা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা থিয়াম শিল্লেমনা হায়খি, লমদম অসিদা ইশাগী ইরোল অমদি ইয়েক চৎনহন্নবা কলমনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। নৌনা ইবগী লম্বীদা খোঙদারক্লিবশিংবু ইরোল অমসুং ইয়েকপু নুংশিবা ঙম্নবা হোৎনবা থৌরমগী মনুং চন্না *নাচোম* হায়রিবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা অইবা, অইবীশিংনা মশা মশানা ইজবা শৈরেং, ৱারী মচা, ৱারেং, দ্রামানচিংবশিং পামিন্নদুনা অফ-ফত্ত নৈনমীন্নবা হোৎনমিন্নবনি হায়খি। থৌরম অদুগী অরোয়বদা অইবা, অইবী ২০ না মশা মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোকখি হায়রি।

# প্রাইভেট স্কুল এক্ট, কোচিং ইন্সটিট্যুসন এক্ট চৎনহল্লু: এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙদা ৱাৎলিবা ওজাশিং চয়োল অমগী মনুংদা থাবীরকউ অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী মীংজলশেন অমদি ফী শিং লৈঙাক্লা য়েংশিন্দুনা মহৈরোয়শিংবু শেন্দানফম ওন্থোকপা থিংবিয়ু হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙশিং অমদি প্রাইভেট স্কুল অনীমক লায়রবা ইমুং-মনুংগী মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং চংবদা হঙ্গোইবা ফিভমদা শোকচিনবতা নত্তনা মফম অমত্তদা ওজা মশিং শুনা লৈত্রে। এস এস য়ু এমনা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং য়েংশিল্লুরে অমদি চয়োল অমা চুপ্পা মীরায়বীরবা মহৈরোয়শিংগী চয়োল হায়না পাঙথোক্তুনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী লৈঙাক্লা মীরাইব্রা হায়না য়েংশিন্দ্রবা মহৈলোইশঙশিংদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগা লুপ অসিগা ৱাখল তামিন্নদুনা খন্ন নৈনদুনা লাক্লি হায়রি। লৈঙাক্লা মীরায়বিরবা মহৈরোয় ময়াম পুন্না ফম্মিন্নদুনা মীরায়বিরবা মহৈরোয়শিংগী চয়োল লোয়শিনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লৈমখোঙ মপাল পিদোনু চিঙ্গোলদা লৈবা শিল্লেপুঙদা পাঙথোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, হৌখিবা মে ৩০ দা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা খন্ন নৈনবা মীফম অদুদসু ৱাফম কয়া খন্ন নৈনখি। ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবদি, চয়োল অমগী মনুংদা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ অসিদা ৱাৎতুনা লৈরিবা ওজাশিং থাবীনবা লৈঙাক্তা খঙহনবা অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মশাগী ওইবা ৱেবসাইট অমা হাঙদুনা লৈঙাক্কী ওজাশিং করম করম্বা স্কুলদা থৌদাং পীরিবগে হায়বনচিংবা চয়োল অমগী মনুংদা খঙহন্দুনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অসি ত্রান্সপরেন্ট ওইবা দিপার্টমেন্ট ওইহনবীনবা তকশিনবা। ষ্টেট অসিগী চীং অমদি খুঙ্গংদা লৈরিবা গভর্নমেন্টকী স্কুলশিং অমত্তদা ওজা মশীং শুনা লৈতে হায়বসি এস এস য়ু এমনা থেংনরকপা ৱাফমনি। ওজা কয়াসু মান্নদুনা তোলোব লৌরম্বা য়াওরি হায়না মরাল শীরক্লি।

মরম অদুনা লৈঙাক্লা ত্রান্সপরেন্ট ওইদবনা মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিং খম থেংনা মাঙথরক্লিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

হৌজিক চখুরিবা ক্লাস ইলেবেনগী সেসন হৌবগী মীংজনশেল অসি লুপা ২০,০০০ য়ৌবা য়াওরে। শেনফম অসি অসুক্কী মতিক ৱাংবা অমদি লায়রবা মীয়াম্না পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেনফমনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈঙাক্লা খঙশিন উশিন্নদনা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি। ঈহৌ থিংসি হায়রবদি লৈঙাক্লা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা খঙনা থবক লৌখৎপীয়ু। মণিপুরদা মীংজনশেল অসি লুপা ৫০০০ দগী হেন্না লৌবা স্কুলশিং লৈঙাক্লা অমদি খুন্নাইনা থিংফম থোকই। থাগী ত্যুইসন ফি অসিসু লুপা ১০০০ অমদগী হেন্না লৌবা স্কুলশিংবুসু লৈঙাক অমদি খুন্নাই অসিনা থিংফম থোকই হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর প্রাইভেট স্কুল রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ২০১৭ অমদি মণিপুর কোচিং ইন্সটিট্যুট কন্ট্রোল এন্দ রেগ্যুলেসন এক্ট ২০১৭ চৎনহন্দুনা খুদোংচাদবা থোক্লিবা কয়া অসি চয়োল অমগী মনুংদা য়েংশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

# এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি ওইরিবা ওজাবু ত্রান্সফর তৌবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন (এস) না থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না এদ্যুকেসন (এস) না চহী অসিগী ৯৩ রক শুনা থোকপা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসুং অতোপ্পা ওজা কয়াবু ত্রান্সফর থাদোকপা অসি মরম চাদে হায়না মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা ত্রান্সফর থোক্লিবা ওজা অসি উখুল দিষ্ট্রিক্টকী তোলোয়দা পোষ্টিং পীরুরবা মতুংদা থা খরগী মমাংদা স্কুল অসিগী থৌ পুবতা ঙায়রি। স্কুল অসিগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ত্রান্সফর তৌরকপা অসি মরম চাদবা অমদি তৌহন্নিংদবা থৌওংনি হায়রি।

ওজা অসি এসোসিয়েসন অসিগীসু জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুদুনা সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগী ফিভম ফগৎনবা অমদি হায়র সেকেন্দরি লেকচররশিংগী হেন্না ক্বালিটি লৈনবা খন্ন নৈনবগী থৌওং কয়াসু চখুরিবনি। মরম অদুনা ওজা অসি ত্রান্সফর তৌবগী ওর্দর অসি রিভোক তৌবীয়ু হায়রি।

ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসিনা হন্দক্তা শেমখিবা ত্রান্সফর পোলিসিনা ওজা অমা চীং নৎত্রগা তমগী স্কুল অমদা চহী অহুম থম্লবা মতুংদা মফম অদুদগী ত্রান্সফর তৌবা য়াই হায়বদু গভর্নমেন্ট অসিমক্লা থুগায়জবগী থৌওং অসিবুসু য়ানিংদে হায়রি।

অমরোমদা, ওর্দর অসি থোকপদা, নৌনা ভাইস প্রিন্সিপালদগী প্রিন্সিপাল ওইনা প্রমোসন পীরক্লবশিংনা অহাঙবা মফমশিংদা থম্লম্লবদি করিসু অকায়বা লৈরম্লোই। অদুবু ত্রান্সফর পোলিসি থুগায়দুনা ৱাচৎ ৱানোমগী মমী তাহনবা অসি য়ানিংদে হায়না মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

THE FIGURE GYM
WANTED
2 Aerobic (Trainer) *Salary :* Negotiable
*Contact :* The Figure Gym
*Contact:* ☎ 7005037301
HL-P/1522/3&5

লৌফম অমা য়োঙ্গরি
মোইদাংপোক্তা নেসনল হায়ৱেগা তাইননা লৈবা লৌফম অমা য়োঙ্গরি। পাক চাউবনা সঙম ৩.৫নি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকউ।
HL-P/1522/3,4,5
Contact :- 8837214653

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
CONGRATULATION
2nd Position Holder HSLC EXAM(2018) PATEL LAIRENJAM
23rd Position Holder HSLC EXAM(2018) HUIDROM HELEN
ADMISSION OPEN
2nd FOUNDATION COURSE CLASS X (BOSEM)
& CLASS XI & XII SC. (COHSEM/CBSE)
START ON 21st JUNE 2018
SESSION : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/5098/1-30/June(Alt.)




CAS Medical
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE for NEET -2019
● Issue of form & prospectus: From 1st June onward
● Last date of form submission: 20th June 2018
Class commencing from: 21st June 2018
Special Attractions:
● Concession given to first 50 students for first BATCH
● Admission freeship for Position Holders of COHSEM
● Concession will given for CASIANS
● Supply Authentic study materials (Physics, Chemistry, Biology)
● First come first served
For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/4647/25/5-26/6(Alt.)

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE
ARTS
HL-B/4560/6/4-6/5



